# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 1-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০১-০৬-২০২৪, থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা ঈচাউনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংশিংদা লুপা লাখ অনি-অনি ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা লাউথোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী খেংজাং ভিলেজদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) লোক সভাগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে । মীখল অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী পুন্না লোক সভা সিট ৫৭ তা ভোট থাদনরি।

**--ট্যুন--**

**ঈচাউ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংশিংদা লুপা লাখ অনি ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা লাউথোকখ্রে। অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়রি। ক্ষেতিপুরোনগী শেনফমশিং অদু প্রধান মন্ত্রি নেসনেল রিলিফ ফন্দগী পীগরনি হায়না পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

রাজ্য অসিদা ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৪ গী পুন্সি মাংখ্রে খরনা অশোক অপন নংলে। অদুমওইনমক , রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলাশিং ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ইমায় তপা তপা হন্থরক্লে।

অমরোমদা , সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঈচাউ অসিনা অৱা অনা তারবা মীয়াম শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকপা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথরি। অসাম রাইফলসনা ঙরাং ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী চহি ৭৮ শুরবা মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই ৮ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি। হৌজিক ফাওবদা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদগী মীওই লিশিং ২,৫৬১শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। মখোয়গী মনুংদা নুপা ৯৬৯ নুপী ৯৯২ অমদি অঙাং ৬০১ য়াওরি। মখোয়দা ফীরোল অমদি চানা থকবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। হৌজিক ফাওবদা অসাম রাইফল্সনা মীওই ১৫০ রোমদা তরপোলিন অমদি ৱাটর প্রুভকী ফীরোলশিং য়েন্থোকখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ রেমালগী চৈথেং ফংলবা উখ্রুল, চান্দেল অমসুং কামজোংগী মফমশিংদা লন্বী শেমজিনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথখি।

ঈচাউ অসিনা ঈচাউ অসিদা অৱা অনা তারবা মীয়াম ওল মনিপুর য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমুকোনসু তেংবাং পীবগী থবক চথরি। ঈচাউ অসিনা অৱা অনা তারবা মীয়মাদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পাংবা য়াবা মাতেং অথুবদা পাংবিনবা আপিল তৌরি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাকশন্না থীবা হুম্বগী থবক চথুরি। কাংপোকপী জিলাগী খেংজাং ভিলেজদা থীবা হুম্বগী থবক চথুবদা- ৭.৬২ গী এসেল্লর রাইফল অমা , মেগজিন অনি, ত্বেলফ ইন্সকী এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, মরু ১০, বো ফেং রেদিও সেট অমা ফাগৎপা ঙন্লে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙাই কোটতগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমদগী ব্রাউন্দ সুগর কে.জি ২ গ্রাম ৩০০ফাগৎপা ঙন্লে। পোৎলমশিং অদু সাপোন কেপ খরদা হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎ পুবা গাড়ি ৬৬ অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে। পামদবা থৌদোক থোক্তনবা চেক পোইন্ত ৯৬ হাংদোক্লে। তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা আইন কায়বা থবক তৌরম্বগীদমক মীওই ১৫ ফাগৎখি।

**অসামঃ** অসামদা হৌজিকসু ঈচাউগী ফীভম লুনা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎ রেমালগী মতুংদা রাজ্য অদুদা লেপ্তুনা নোং চুরকপদগী তোঙান তোঙানবা তুরেলশিংগী ইমায় লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি । মসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অদুগী জিলা ৯-নাগাও, কারিমগঞ্জ, হায়ালকান্দি , ৱেষ্ট কারবি অংলোং, কাসার, হোজাই, গোলাঘাৎ, দিমাহাসাও অমদি কারবি অংলোংগী খুঙ্গং ৩৮৬ কী মীওইশং হৌজিক অৱাবা মায়োকরি। শাফগদবা মফমশিংদা রিলিফ কেম্প ৯৫ হাংদোক্তুনা মীওই লিশিং ৩৫ হেন্না চংজফম লৌদুনা লৈরি। অসাম ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতিগী মতুং ইন্না রাজ্য অদুদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই অনি লৈখিদ্রে। হাফলোং বদরপুর রেলৱে ত্রেক ফাওদুনা চৎলিবা মফম খরদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী রেল গাড়ি কয়া চেনবা লেপ্লে ।

মেট দিপার্টমেন্তকী পাউনা হায় - হৌজিকসু মখা তানা রাজ্য অদুদা অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুরবা য়াই। ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংনা মী হোন্দোকপা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি।

**এ.আর(এল)ঃ** ওপরেসন জল রহটকী মখাদা অসাম রাইফলসনা চকপিকারোংদা লৈবা চাইল্ড ওরফানেজদা লৈরিবা অঙাংশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা কোবাং, ফাইলেন্দ অমসুং চান্দেল জিলগী ওল সোংতালদা লৈবা মীয়ামদসু তোঙান তোঙানবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা দাইও সেসান সোসিয়েল সার্ভিস সোসাইতি মন্ত্রিপুখ্রিগা খুৎশমরগা তেংনৌপল জিলাগী বি-বোংজাংদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মনাক নকপদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী খুঞ্জা ২১০ লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**মীখল ঃ** লোক সভাগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে । মীখল অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী পুন্না লোক সভা সিট ৫৭ তা ভোট থাদনরি।

সিটশিং অদুদি - উত্তর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবকী সিট ১৩-১৩ , নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৯, বিহারগী ৮, উরিষাগী ৬, হিমাচল প্রদেশকী ৪,ঝরখন্দগী ৩ অমসুং চান্দিগর য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী ১ নি। মসিগী মথক্তা উরিষা বিধান সভা কেন্দ্রগী সিট ৪২ সু ঙসি পুন্না মীখল পাঙথোক্লি।মীখল অসিদা পোল্লিং ওফিসিয়েল লাখ ১০ লিশিং ৮০ না মথৌ তৌরি।

পুন্না ভোত্তর কোতি ১০ লাখ ৬০ না ভোট থাদনগনি। মীখল অসিগীদমক অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং পায়খৎলে।

অরোইবা তাঙ্কক অসিগী মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবা শকাইরবশিংগী মনুংদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রি অনুরাগ ঠাকুর, ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবা অভিসেক বেন্নর্জি য়াওরি।

মরক অসিদা , ঙরাং মীখলগী মথৌ তৌবা লাকপা হোম গার্দ ৬ শাবা চাং কা হেন্না ৱাংবদগী লৈখিদ্রে। হোম গার্দশিং অদু উত্তর প্রদেশকী মীরজাপুরদা লৈবা পোলিতেকিক গ্রাউন্দা মীখলগী মথৌ পাঙথোকপা চৎনবগীদমক পুনখিবনি। মদুদা থুংলখিবা হোম ২৩ গী মনুংদা ৬ কী হকচাংগী ফীভম ফৎশিল্লক্তবদগী হোস্পিতালদা পুখৎখি। অদুমওইনমক কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি। অতোপ্পা হোম গার্দ খরা অমসু হৌজিক হোস্পিতালদা লায়েংলগা লৈরি। মেট দিপার্টমেন্তকী পাউনা হায়- মফম অদুদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪ য়ৌখি হায়রি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক নাওরেম ভিক্তর লৈরে--**

**---ভিক্তর---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১)  মনিপুরদা ঈচাউনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওহশিংগী ইমুং মনুংশিংদা লুপা লাখ অনি-অনি ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না কেন্দ্র সরকারনা লাউথোকখ্রে।

২)  সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী খেংজাং ভিলেজদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩)  লোক সভাগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে । মীখল অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমগী পুন্না লোক সভা সিট ৫৭ তা ভোট থাদনরি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-দ্বিজমনি**

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মায়োকরিবা ঈশিং ঈচাউগী পাউনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।
সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা - তপা তপা ঈশিং হন্থরক্লে, তুরেলশিংগী ইমায়সু হন্থখ্রে। য়ুম লিশিং ২৪ হেন্না শোকখি,মীওই লাখ ১ হেনবনা অৱাবা মায়োকরি হায়না কলর তৌদুনা বেন্নর হেদলাইন ওইনা ফোংলি।
স.এমনা য়েংশিন্দুনা ৱাইশেল মরিল শেংখি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা -তুরেলশিংগী ইমায় হন্থবদগী মনিপুরদা ঈচাউগী ফীভম তপা তপা ফগৎলক্লে, ঈচিং ঈচাউদা লৈখিদবা মীগী মশিং ৫ শুখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইচাউগী অৱাবা নংলবশিংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর নিউতা -প্রাইম মিনিস্তর অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরনা মনিপুরগী ঈচাউগী মীফম রিব্যু তৌখ্রে। লৈখিদ্রবশিংদা লুপা অনি অনিগী এক্স গ্রেসিয়া , অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি লাউথোকখ্রে . সি.এমনা পি.এম অমসুং হোম মিনিস্তর থাগৎপা ফোংদোকখ্রে, নোদেল ওফিসরশিং এপোইন্ত তৌখ্রে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রিপ্রেসতা - নম্বুল তুরেলগী রিতেন্নিং ৱাল নিংখায়রকপদগী মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিং মীপায়নবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ঈশিংগী ইমায়দি তপা তপা হন্থরক্লি, লৌমীশিংগী অৱাবদি মখা তানা ময়োকখিগনি হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ১৮ শুবা লোক সভা ইলেক্সন ২০২৪ গী ওইনা ঙসি অরোইবা ৭ শুবা ফেজতা পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সি ৫৭ কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। জিরি তুরেলগা অকনবা ঈচেলনা কামরঙ্গী য়ুম মরি চেন্থখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা - অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ময়োকরিবা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা অৱাবা ফোংদোরকখিবগী পাউ পাডচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা -সাইক্লোন রেমালনা মনিপুরদা মীওই লাখ অনি হেনবদা অৱা অনা নংহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা - দিল্লিদা শাবগী চাং ৫২.৯ দিগ্রি সেলসিয়স য়ৌরে হায়না পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

--**দ্বিজমনি**--